# থৱাইগী নুংশিরৈ

সনাতন হামোম



CamScanner

# থৱাইগী নুংশিরৈ

সনাতন হামোম

হামোম পাবলিকেশন্স

CamScanner

© উষা হামোম

অহানবা ফোঙবা
১৬ অক্টোবর ২০০৩

অফোঙবা
হামোম পাবলিকেশন্স
হামোমখুল, ডাক ঃ আদমপুর বাজার,
কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার।

কম্পোজ
মোঃ আব্দুল আউয়াল মাসুম
মোবাইল ঃ ০১১-৩১৭৪৩৬

নম্ফম
সিলেট কণ্ঠ অফসেট প্রেস
সিলেট।

মখুম য়েকপা
এন যোগেশ্বর অপু

পরিবেশক
রাই চন্দ্রজিৎ
৪ কাঠাল বাগান
ঢাকা।
উষা হামোম
মংগলপুর, কমলগঞ্জ
মৌলভীবাজার

মমল
লুপা য়াংখৈ

**কচ্ছবা**

মনিপুরী সাহিত্যগী পাক্লবা লম্পাক্তা খোঙদোয়বিরম্বা
নোঙাঁখ্রবা কবি এলাংবম নীলকান্ত।



CamScanner

**অইবগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং :**

* কল্পবধু - বাংলাগী শৈরেং (১৯৮৮)
* ঈপ্সিত বাসনা - বাংলাগী শৈরেং (১৯৮৯)
* লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং - মনিপুরী শৈরেং (২০০০)
* থাবায়গী নুংশিরৈ - মনিপুরী শৈরেং (২০০৩)

CamScanner

**য়াওফম তাকপা :**


কায়না মৈচাক ৯/ পুক্নুংদা ১০/ খুজীগী খোঞ্জেল ১১/ মীনুংশি তম্মু ১২/
লৈশাবী মচা অমা ১৩/ কাওদ্রি ঙসিসু ১৪/ অঙম তানবদা ১৫/ ঐগী ৱাখন্দা নঙ ১৬/
নমথিবা ১৭/ খুজাইদি ফেংলগা লঙবনি ১৮/ চাকলে নুংশা মৈশানা ১৯/
নুপী অমসুং লৈ ২০/ অকিবা ২১/ অমম্বা পুন্সী ২২/ লায়রবী ওইগে খনব্রা ২৩/
শকহেনবী নঙবু কনাগীনো ২৪/ অৱবা অহীং ২৫/ লৈরাং লৈনম ২৬/ থবক চিন্নরে ২৭
থম্বালসনাগী ৱারী ২৮/ মাঙখিগদ্রা খল্লুবদা ২৯/ অরানবদি কনাগীনো ৩০/
নংগী নাক্তা ৩১/ খোর্জেনা কপখিবা ৩২/ মীতাংবা কনাগীনো ৩৩/ লৈরাং নঙবু ৩৪/
চিংনবা ৩৫/ থৱায়গী নুংশিরৈ ৩৬/ হৈমন্বীগী থৌদোক ৩৭/ খল্লুব্রা ৩৮/
লাইবক ফবী ৩৯/ খেন্নদবদি খায়নদবনি ৪০/ শাবী ইবেম্মা নুংশিরৈ ৪১/
নুংশিবতনা নুংশিফম ওইসনু ৪২/ ইপোম ৪৩/ উবদি সুংফঙ ফঙনদ্রি ৪৪/
অৱাবা ফিভম ৪৫/ হৈমন্বদি ফত্তবনি ৪৬/ যন অমবু নুংশিরুবগী ৱারী ৪৭/
গোয়েন্দা থবক ৪৮


CamScanner

## কায়না মৈচাক

ঐনা চৎলগে হায়দ্রিঙৈদগী
ঐসে চৎখ্রগনী খঙবনা
নঙনা তুমিন লোন্না কপখিবা
তুমিন্না মতৌ য়েংলম্বা ঐসু
তৈথোকচখি পিরাং কনা খঙহন্দা।

ঐনা চৎলগে হায়দ্রিঙৈদগী
চৎপগী মতম য়ৌরকলে খঙবনা
নঙনা খরমুক হেন্না নুঙাইমন্দদুনা
তেংথাখোল য়াওনা কপখিবা
ঐবুসু কপহনবা
ঐদি কাওবা ঙমদ্রে, ঐদি হৌজিকসু কপ্পি।

ঐগী চৎপসী থিংবা য়াররোই খঙবনা
নঙনা ঐবু কোনসল্লগা
খরনি মখাদঅমুক লাকউ, য়াংনা লাকউ
হায়রগা
চিন-মাই থুংনবা চুপখিবা
ঐদি কাওবা ঙমদ্রে,
কায়না মৈচাক্না চাক্লে, নুংশি মৈচাক্না ঙাওরে।

০১.০৩.২০০০
জামালপুর

## পুন্নুংদা

নুপা অমগী পুন্নুংদা চীঙ
নুপী অমগী পুন্নুংদা তুরেল
তুরেল অমগী পুন্নুংদা সমুদ্র
সমুদ্র অমগী পুন্নুংদা চীঙ
নুপা অমসুং নুপীগী
অৱাবা অমসুং নুঙাইফমনি।

০২.০৩.২০০০
জামালপুর

# খুজীগী খোঞ্জেল

খুজীগী খোঞ্জেল মনিল তাদ্রিবা
ঐগী নাকোংগী থম্মোয়নুংদা
নোংমগী তত্তনা য়ৈররী
খুজী চরোং অমগী খোঞ্জেল।

লৈনম চেনবী, খেমজী লিংপী
পোৎলোই সেৎপী নুজা অমনা
কোকতা লৈত্রেং হাপলগা
তপ্না তপ্না ইনাকতা লাকলগা
কেকুৎ লোৎপী শানসী হায়রম্মী,
শুমহৎনরবা মঙলান্দা
ঐনা লোইনবীনি খন্দুনা
খুজী অমা হুক্কে তৌবদা খঙতেক তেকখি
ইকাইগেসু খলহৌদ্রবা ৱাখন্দা
তত্তনা য়ৈররে হৌজিকসু খুজীগী খোঞ্জেল।

০২.০৩.২০০০
জামালপুর

## মীনুংশি তম্মু

পাওতাক হায়রিবসি
লমচৎ ফজদবা নঙগীনি
মীনুংশি য়াওদ্রবী নঙবুনি
হন্থনা খল্লু
হায়গৎকনু,
ৱাখন্দা লৈ শাৎহল্লু
লৈনুংশী খঙঙু, মীনুংশি তম্মু।

নঙনা হরাওমন্দুনা
লমচৎ ফজদবা চৎপদু
অসিনা ফরে খল্লগা
লৌনম তৌনা চাথোকপা
নাকোং ৱারী শুরগা
মী খৎনহনবা
নঙগী মতম লোইদৌরে,
নমজা-নমথেক থাদোকউ
পুকচেল ফজবা তম্মু, লম্বী চৎপা হৈয়ু।
অৱা-অনানা মায়থীরবা
প্রজাশিংদি হৌজিক নঙগী য়েন্নবা ওইখ্রে।

০৩.০৩.২০০০
জামালপুর

## নৈশাবী মচা অমা

হন্দক্তা পুম্মুমনা পোমশাৎনরকপী
লৈকা ফন্না শাৎচরকপী
নৈশাবী মচা অমা পামজারুববু
থম্মোয়নুংদা নোঙ খাকপা হেক হৌখি,
পাখং মনম ফংদ্রিবা
পাখং মশক খঙদ্রিবা
নৈশাবী মচা অদুনা
মীয়েং লায়েং ফজদে খন্দুনা
হেক লামসল্লকপবু
অহানবা পাখং ওইহৌগে খন্দুনা
খুজেং হেক পায়রুববু
শোরারেন কিস্থনা তারকখি।

০৩.০৩.২০০০
জামালপুর

## কাওদ্রি ঙসিসু

খা গা-অৱাংগা কোইরিঙৈদা
নোঙচুপ নোঙপোক কাওরুরে
নোংমা নঙনা নোঙপোক কানা লাকলগা
খিক্রীদগী হুরান্না কৌরকপদু
ঐদি কাওদ্রি ঙসিসু,
লমচৎ ফৎতবা ঐদি
নুমিদাং অমতং লৈখো হায়না
তোয়না তোয়না নোন্‌জবনী
অমম্বা হৈনদবা নঙদি
ঙংয়ামক য়াখিদে।
লাকপগা হেক চৎকে হায়বদু হৌনব্রা ?
থাংজ নোঙপোক কাহৈদেদি হায়রগা
কারকপগা নঙনা কুমথখিবদো
কাওদ্রি ঙসিসু ঐদি।
খা-অৱাং কোইরিঙৈদা
মতম য়ান্না মাঙখ্রে,
নোংমা ঐনা নঙবু খল্লিঙৈদা
নঙনা গোলাপ অমা পিরম্বদু
গোলাপ অদু পোমশাৎনবিনি
কাওদ্রি ঙসিসু ঐদি।
লৈ-অদু থদৎপা ঙম্বা নঙদি
লৈ অদুগী তেংথাখোল তাখিদে
ঐনা নঙবু থদৎপদি
করিগীনো লমচৎ ফৎতে হায়রিবা ?

০৪.০৩.২০০০
জামালপুর



CamScanner

## অঙম তানবদা

ঙরাং ঐখোয়নিনা লৌনম তৌনদুনা
শাওনবদা
অঙম তান্নরগা
অমত্তা ওইহৌদনা
তোঙান তোঙান্না তুন্নখিবা উরগা
ৱারৌদুনা
ঙরাং নুমিদাংদা উচেক অমফাও তুমনখিদে
হঙোয় অমফাও তুমনখিদে
লাও-খোঙনা মখোয়দি
থেমনবা হোৎনরম্মি
অঙমতান্‌বা ঐখোয়নিদি
নোঙানবগা
পুখম অমদা চামিনখি।

০৪.০৩.২০০০
জামালপুর



CamScanner

## ঐগী ৱাখন্দা নঙ

নঙগী মীৎকী পিরাংনা
ঐগী পুন্সীনি
নঙগী হরাও মীনোক্পা
ঐগী অৱাবনি
নুংশিবদি
নঙগী থম্মোয়নুঙগী ৱাখন্দুনি
নুংশিদবদি
নঙগী ৱাখল না থৌশাদবদুনি
পামজবদি
নঙগী হকচাংনি
পামজদবদি
নঙগী খঙনোক নোকপদুনি।

০৪.০৩.২০০০
জামালপুর

## নমথিবা

অফবা পুন্নমক নঙগী ওইখ্রসনু
ফত্তবা পুন্নমক্না ঐগী
কানবা লেমজবা পুন্নমক নঙগী ওইখ্রসনু
মাঙবা মায়থিবা,
নমথিবা পুন্নমক ঐগী ওইখ্রসনু
নমথিবদি কনানসু উনিংদবনি
কনানসু নুংশিদবনি
য়ুংনমগী খারবা মনম নিংথাদি
ঐগী অঙাঙ ওইরিঙৈগী
ঔহে ঔহে লাউফমনি।

১০.০৩.২০০০
জামালপুর



CamScanner

## খুজাইদি ফেংলগা লঙবনি

ঈশিং খুজাই অমা সমদ্রুদগী
লৌখৎনা য়েংঙু
ময়েং তাদবনি,
ইশিং মরিক অমতং খুজাইদগী
লৌখৎনা য়েংঙু
ময়েং তাবনি ইঙান ঙান্নদি উরোই।
নঙবু নুংশিজবা
ঐদি সমদ্রুনি
ঐবু নুংশিদবা
নঙদি খুজাইনি
সমদ্রুদি য়েংবদা ফজবনি
খুজাইদি ফেংলগা লঙবনি।

১৪.০৩.২০০০
কামালপুর

## চাকলে নুংশা মৈশানা

শাখ্রবা চাক্লবা কালেনগী নুংশা মৈশানা
চাকলে উজাও খরা খুঞ্জা তরামরীগী
করম্বা নোঙগী ঈশিংনো ইংহনবিগদবা ?
নোঙগী থৌরম নুংশিৎকী লমচৎ
উজাও খরনা খংদবনা
নোঙবু চৈবিরে লৈবাক্লা
উজাও খরনা চৈরিবা লৈবাকপু
ঈশিংবুসু ঙাংবিরে নুংশিৎনা।

খুঞ্জা তরামরীগী লৈবাক্তা
নোঙ, ঈশিং, নুংশিৎ, উজাও খরা য়েক্লরে,
তনৌ তনৌরবা
ফোং ফোং সারবা নিঙোলগী পীরাংগুম্লবা নোঙ
কনখ্রবা পাঙ্গলগী থৌনা লৈতবনা
চাকলে উজাও খরা নুংশা মৈশানা।

০১.০৫.২০০০
হামোমখুল

## নুপী অমসুং লৈ

নুপী অমসুং লৈ-গা
মনুং চেৎনা মরী অমা লৈবনা
খেন্নবা মখোয়গী করিমত্তা লৈতে।

নুপীদি লৈনম চেনবিনি
লৈসু লৈনম চেল্লি
নুংশিখ্রবা লৈনমদি
মীওইবগী থম্মোয় হুবা ঙম্মী,
নুপীদি ফিরোল হোঙদোকপনি
মতমগা লোইননা শকসু হোঙবনি
ফজবনি অমসুং কেনবনি,
নুংশিখ্রবা লৈনমসু নোংমদি
নুপী অমসুং লৈ-গুন্না
মালঙবগা লোইননা মাঙবনি।

১৪.০৬.২০০০
জামালপুর

## অকিবা

কৈ নৎচদে ঈ য়াওরিবা ঐসু মী অমনি
ইনাক্তা চংসল্লকউ হায়বা খুদিংগী
অকিবা নঙগী অহোয় হেল্লি
নুঙাইমন্দদুনা তৎতনা তেংথারবসু
নঙনা অদুম থাপ্না চৎথোকখি
শজিমচা ঐ নৎচদে অদুগা করিগী চেনগনি
চেনগদবা মখোয়দি
খরদি কিফম থোকপনি
লাঙ থাকপা মীগী মনিন তাবদা
ঐগী অকিবদি চেনখিগদ্রা খনবতনি।

০৪.০৭.২০০০
জামালপুর

## অমম্বা পুন্সী

নুংশিরুবনা নঙবু ৱাহল্লে
লায়ররুবনা নঙবু কপহল্লে
তমথিরবা পুন্সী মৈচাক্কী মরক্তা
ঐনা নঙগী চৈশুনি হায়বদো
লম্বোইবিদি ওইহননিংদে নুংশিবী,
ঐনা নঙগী কোরৌ মঙালনি
নঙনা ঐগী থাজনি হায়নখিবদো
নিঙমদনা করিগী চিংনরি অমম্বদা ?

২০.০৬.২০০০
রাজিবপুর

## লায়রবী ওইগে খনব্রা ?

লাইরা মচা ওইরুবনা
লাইরিক লাইশু হৈহৌদ্রে
লৌমী  ওইবসু ঙমহৌদ্রে
ঙমদবনা লায়কন্নরবা মতমদা
নিঙোল নঙনা লাকলগা
নমিৎতগী নপি তাহনখিবদো
করি পামদুননো ?
পিনিঙাই কৈসু লৈত্রবদা।

শেন তানবা ঙমদবনা
ইমানা ঐবু মীরাইবিখি
ইপানা ঐবু তাহ্নোকপিখি
মফম মরাং খংদ্রবা ঐবু
নুংশিবিরিবদুবু
লাইরবী ওইগে খনব্রা ?

২১.০৭.২০০০
রাজিবপুর

## শকহেনবী নঙবু কনাগীনো

শাজৎ ফিজেৎ ফজবী ঙানু খোংথাং চৎপী
শকহেনবী নঙবু
কনাগী লোয়নবী ওইরিবনো ?
ঐগী শুক্লবা থম্মোয় শুমহৎপী
নোক্লগামুক হেন্না ফজবী
মীৎচিনা ৱাঙাংবী নঙনা
হায়খিবদো
করিনো খনবদা ঐদি
চাবা-তুম্বা ঙমদ্রে, ওমচাকনরে।

নঙগী লাইবক্তা সিংথি পরেংগী ঙাংজুনরবা লৈশাৎ
শম্মুনগী লৈত্রেং, লুখমগী থম্বাল
তনৌরবা খুজেং
থবাক ফন্না শাৎলিবা উথম্বাল অদো
কনাগী ওইবিরিবনো শকহেনবী ?

১৯.১২.২০০০
কামালপুর

## অৱাবা অহীং

থেংলবা অহীংদা হুই খোংলি
লমহুইগা শিংননা
মৌ অনৌবীনা ঙাওবগুন্না তেংথারি
লমহুইগী খোঞ্জেলগা লোইননা,
হনুবা-হনুবীনা কাচীন্দা শিংনরী
অশীবগা।

নুঙাইখ্রবা অমসুং আৱাবনী
খুল পুন্নমক্তা নোঙজু নোঙখাক্লী
মীহাৎপা অশীবা কনাগীদনো হুমজল্লিবা ?
অনি নত্তে থম্মোয় মরীনি আৱাবা তারবদি
আৱাবা অহিংদা নুমীৎকা মায়োক্লনা
ইরুজবা ওইহৌসনু লাংবনগী নোঙদা।

১৬.০১.২০০১
মংগলপুর

## লৈরাং লৈনম

লৈরাং নঙবু করম্বা লমগীনো ?
শিঙেল লৈরাং মরক্তা
লৈ চন্দন ওইনা লৈরম্বদো
ওন্থোক্লদি পামুইদা !
লৈনা মশিং রাৎতনা
লৈকা ফন্না লৈরম্বদো
লৈরাং নঙগিদি লৈমল চল্লমদে !
লৈনম মরক্তা
পুক্লিং হুরিবা লৈরাং নঙবু
করম্বা লমগীনো
ওন্থোক্লদি নুংশিখ্রেদা
কোকতা-নাদ থেৎহলনিংদে
মীগি মীখুৎ চলহননিংদে
থম্মোয়নুংদা থেৎচগে থমজগে।

১৭.০১.২০০১
হামোমখুল

## থবক চিন্নরে

মপুন মপুন অমুবা মৈখুনা খুমজনখ্রে অতিয়া
লৈচিলনা খুমজনখ্রে লম্বী
লিক্লানা ইংথম চল্লে খুঞ্জাতরামরীদি,
ইরুবা তোকনরে পুখ্রী তুরেলদা !
য়েনখোং অহানবদা হৌরগা চৎফম খংদনা
চা না মায় তারে ইশিংগী মহুৎতা,
তুলশী মখোংদা ফমনদ্রে
হিপনতা য়াইফা থৌজাল পামলে
রামায়ন শ্রীমদ্ভগবতগীতা তানিংদ্রে
খেচির চাবদি তোকনদ্রি,
মেরা পালি লৈত্রবগুমনি
মৈরাগী থাঙালদা লিফক ৱারী শুহৌঙম্বদি
লাইবক ফবনি খন্নরে।
করম্বনা ফরিবা করম্বনা ফত্রিবা
খংজনবগী মথৌ তানদ্রে, থবক চিন্নরে।

১০.০৩.২০০১
হামোমখুল

## থম্বালসনাগী ৱারী

লাইবক থিরবী লায়ররবী
লুখ্রাবী মমাগী থম্বালসনাদো
নিংথৌ শদানবদা মথাৱায় কৎখ্রবা
মপাবুংনা লৈখিদবদগী
নোংমগী তৎতনা শুজরগসু
চরা নাম হেল্লিবী
থম্বালসনানা
লৈকা ফন্না শাৎল্লকপদা
লৈকায়দুসু নৎতনা খুঞ্জা শিনথুংনা
লৈনম নুংশি চেল্লিবিনি।

ৱাহং ময়ামগী পাউখুম পিবা ঙমদ্রবদা
ৱাহংনা ওমচাক্লরবা থম্বালসনাদি
কৃষ্ণগী বাঁশি খোঞ্জেলগুম
খোঞ্জেল তাবদো নোংমদি
মীরাওখোল লৈত্রবা চীঙনুংদা চেনমিন্নখি।

২৮.০৭.২০০১
নকশী, শেরপুর

## মাঙখিগদ্রা খল্লুবদা

মাঙখিগদ্রা খল্লুবদা পাখৎচৈ ঐদি
অকিবনা লাইকন্নরে নঙবুতা খনবদা
চৎত্রিঙৈ মাঙদা অমুকতং হায়রম্মু
অমুক হন্না লাক্কনী
সোইদনা লাক্কনী
নঙনা লাকলগা
লৈ চরোংসু নত্তে
লৈ পরেংসু নত্তে
থম্মোয়নুংদা কোনসন্দুনা থমজগে।

চৎত্রিঙৈ মাঙদা অমুকতং হায়রম্মু
ঐসে নঙগিনী, নঙগিতনী,
নঙনা লাকলগা
প্রভু ইবুঙোদা কৎচগে
হৈরাং লৈরাংগী মহুৎতা
পুন্সিগী অৱাবা পুন্নমক
নঙগা ঐগা, ঐগা নঙগা
লৈমিন্নবগী, নুঙাইবগী, হরাওবগীতা।

০৫.০৯.২০০১
কর্নজোড়া, শেরপুর

## অরানবদি কনাগীনো

কনানা কনাগী অরানবা তৌরুবনা
কনাবু নঙনা কপহল্লিবা
কনাবু নঙনা নোকহল্লিবা
কপ্পা নোকপাগী
অৰা-নুঙাই পিরাংদি
তাওরদুনা লৈরে
তুরেলগুম চেল্লিবা পুন্সিদা,
শংবান্নরবা মহাক্কী পুন্সি
হৌজিকতি ঙৌদোং থুংলে লৈনা সিল্লে।

লৈনম চেনবা হকচাঙগী মহুৎতা
অৱাবগী নমথিরবা মনম
কনানা কনাবু অরানবা তৌরুবননো
নঙগী হকচাংদসু নমথিরিবা হুইনম।

০৫.০৯.২০০১
কর্নজোড়া, শেরপুর

## নঙগী নাক্তা

নোঙজু নোঙখাকপা
অহোবা য়ুম মনুংদসু
অৱাবা লৈরমদে নঙগী নাক্তা,
হনুরবা নহা ঐনা
থা তরেৎ মখাদা উননিংবনা
সমদ্রু ইরোয়না লাকখিবদো
নঙবু কোনসল্লগা অৱাবা কোকখি।

০৫.১০.২০০১
মংগলপুর

## খোর্জেনা কপখিবা

চেমাইসিগী মথক্তা খোর্জেনা কপখিবা
ইবা সুংঙম ঙমহৌদনা
পুমচোৎ চোৎলম্মি
শৈরেং ৱারেং করিসু নত্রবদি
খৌরাংখিবদো করিনো ?
নোঞ্জখিবদো করিনো ?
কপনিংঙসু মতমচান কপ্পু
ইনিংঙসু মতমচানা ইহৌ
নত্রবদি খিক্ত্রীদগী মী না নুংশাশ্বোর হোনখিনি।

২৯.১১.২০০১
মংগলপুর

## মীতাংবা কনাগীনো

লাই সেম্পাক পায়বী তনৌরবী
মৌ-নহা নঙনা, থাবলগুন্না
নশক-নতৌ সন্দোকলিবা অদো
মীতাংবা করম্বা মপুরোইবগীনো ?

বর্ত্তীত থাম্বী শকহেনবী
লৈশাবী নঙনা, মীখৎকুন্না খৎলিবা
মীৎচিনা হায়খিবা
ৱাহৌদোক অদো মীতাংবা করম্বা পাখংগীনো ?

চৈতন্য মহাপ্রভুগী লগুন শিবিরিবা
পুং-য়ৈবা খরা নঙনা, য়ৈরিবা
খৎলিবা পুংখৎ অদো
মীতাংবা মনা তাদবা করম্বা মীওইগীনো ?
অপোকপা চৎপী মাইক্রোফোন পায়বী
নুংশিবী নঙনা, পুয়া মৈ-থাবাগী ঈশৈ শক্নুনা
তোয় তোয়না মৈ থারিবা অদো
নুংশি হৈতবা করম্বা মীতাংবা ইবুঙোগীনো ?

১১.১২.২০০১
দাঁতভাংগা, কুড়িগ্রাম



CamScanner

## লৈরাং নঙবু

লৈরাং লৈশাৎ তল্লিবী
লৈবাকলৈ গুম্লবী
তনৌরবী লৈরাং নঙবু
শকহেনবী হায়সু ঙমদা
শকথিবী হায়সু ঙমদা
লৈরাং নঙনা নুংশিহল্লিবদো
করি ব্রাখল-পুখন্নো
খঙনিংঙে ঙসিদি।

মীৎনমক উজরুবা নৎচদে
ব্রাখন্না উজরুবনী
করিমত্তা খংজবা নৎচদে
থম্মোয়শোক্ল নুংশিজরুবগীতনি
কনানসু হায়বিরম্বা, তাকপিরম্বা নৎচদে
ঐনতা থাজরুবগীতনি। ঐনতা পামজরুবগীতনি।
ঐনতা নুংশিজরুবগীতনি-লৈরাং নঙবু।

১২.১২.২০০১
দাঁতভাংগা, কুড়িগ্রাম।

## চিংনবা

ঐগী ৱাখন্দা নঙবুতা চিংনবা
উররোইদ্রা অমুকহন্না
ফংলরোইদ্রা অমুকহন্না
মীনুংশি য়াওদ্রবা চেক্লাগুম পায়খিগদ্রা খনবদা
হৌখিবা মতম
লাকলিবা পুন্সি
করম্না লেনগনী খনবদা
অকিবনা ঐদি তুজুংই।

ঐবু লমখাংদা করিগী লংথোকলমলগা
নদোম তুমিন মীনুংশি য়াওদ্রবগুম চৎকে-খল্লিবা
থম্মোয়নুংদা নঙবুতা নুংশিজরুবা
ইরাল ঐগী করিনো মরাল নঙগী করিনো হংজরোই
ঐগী চিংনবদি নঙবুতনি।

১২.১২.২০০১
দাঁতভাংগা কুড়িগ্রাম।

## থৱায়গী নুংশিরৈ

থম্মোয়নুংদা লৈকা ফন্ন শাৎচরম্বী
থৱায়গী নুংশিরৈ
মপোক মপোক খুদিংদা নঙবুতা য়োকচগে
থম্মোয় নুংদা।

নুমিদাং খুদিংগী ঐবুতা উজগে খনবদা ৱাজরবী
কনাদসু তাকলমদনা
অয়ুক্তা শিংগারৈ গুন্না কেনখিবা
লৈরাং নঙগী হৌনবীরা
নত্রগা ঐবু মীরাইবীদুনরা
নুংশিবা ঐদি পাখৎচৈ নংবুতা নিংবদা।

থানৌগুম্লবী লৈরাং নঙদি ঐগী থৱায়নি
পায়খ্রবী চেক্লা নঙগী পন্থুংফমদি মালংনি
ঐগীনা মালেম তাইবংনি
ৱাখল চাওজবী ইং-নৌরবী
থৱায়গী নুংশিরৈ
মপোক মপোক খুদিংদা হান্নগুম তিন্নশি,
তাইবং কৈথেল লোইরগা
চীংখা তোর্ব্বান্দা মীরাওখোল লৈত্রবা মফমদা
নোঙদোল কোরৌ ঙানবগা
শাবী শানৌগুম খুজেং পায়নশি, নুংশিনশি
খোয়রাংনরবা ঐদি চেক্লা নঙনা পায়রকপা
য়েংদুনা লৈজগে আতিয়াদা,
ৱাখন-পুখন তিন্নশি, হান্নগুম নুংশিনশি
ঙাইনশি, উনশি, কায়নরোইশি, থানরোইশি।

১৩.১২.২০০১
দাতভাংগা কুড়িগ্রাম।



CamScanner

## হৈমন্তীগী থৌদোক

খোয়রাংবী হৈমন্তী মীৎলুবী নঙনা
চনু নিঙোল ওইরিঙৈদা
খঙহৌদনা মীখৎ অমা তৌরুবদগী
থাঙালদা মমসন্নদুনা উহৌদবা সাবদা
থাবল চোংবদা খুদিখিবদো
খল্লুরগা হৈমন্দবা ঐবু নুঙাইজদে
নঙবুতা চিংখৎনিঙই হৌজিকসু।

পঙদা চুদানৈ খল্লদুনা
লাইথেক জগোই লোইরগা
ইদোমতা লৌরীদা পোথারিঙৈদা
চনু চরোং অমা পুরক্লগা
খুজোক খুজোক লৈরাং লঙথরকখিবদো
ওমচাকনরবা হকচাংদা
নোঙ চুথরকপগুম
হৈমন্তী নঙবু খল্লুরগা
ওন্থোক্লদি নোঙ চুহননিংখ্রে।

পঙখ্রবা ঐনা চরোং মরক্তগী
খুজেং পায়না চিঙথোকলগা
থোকখিবা থৌদোক অদো
নঙদি কাওবা ঙমলব্রা ?

১৩.১২.২০০১
দাঁত ভাংগা কুড়িগ্রাম।

## খল্লুব্রা

ঐদি কৈদৌঙৈদসু লানখিদে নঙোন্দা
হায়নিংঙে হায়দুনা হেক
ঐগী অরানবনি হায়বদো করিদনো খল্লুব্রা ?
নঙগী য়াইফ থৌজাল নিবদা
ঐদি লাইনিং হৈখিবনি
নঙগীতা খনবদা পাখৎলিবী ঐবু
নঙনা অরানবনি সিনবিবদি
নঙগী করম্বা সাজৎনো খংলে।

ঐবু সাজৎ ফজৌ হায়রগা
নঙনা লমচৎ ফজদবা চৎপদো
মদুদি কনাগী অরানবনো নোংমতং খল্লুব্রা ?
ঐদি কনাদসু লানখিদে
কনাগীসু অরানবা থিজরুদে
ঐদি কৈদৌঙৈদসু লানখিদে নঙোন্দা, ঐঙোন্দসু।

১৪.১২.২০০১
দাঁতভাংগা, কুড়িগ্রাম



CamScanner

# লাইবক ফবী

লাইবক ফবী মহাক্কী লাইরবী ওইখ্রে
মপু ইবুঙো শিদবগী
থৌজাল খৌরাংজরম্বী মহাকতো
অমুকহন্না নোংমতং ওইরসু
লাইবক ফজগে খনখি, লাইনিংখি।
লাইনিং চেৎতবনরা নত্রগা হোৎনবা ৱাৎপনরা
নোংমগী তৎতনা চরানাম ৱাজরবী
লাইবক ফবিদো লাইরবী ওইখ্রে।

মশক মতৌ শঙবান্না ফজখ্রবা
খুজেং-খাজাই, হকচাং-শমজী মীৎলু
অদুনা নুংশিখ্রবা,পামুখ্রবা
করিগী লাইবক থিবা ওইহল্লিবা
নোংমতং কনানসু খনবিদে,
খনবিদে ইপুধৌ শিদবনসু চরানাম হেন্দুনা
শিখিগদ্রা।
নুংশি হৈরবা ঐনদি খনবি
তৌনিঙাই কৈসু লৈত্রবা ঐনসু নুঙাইবিদে
নুঙাইমন্দদুনা নোঙমা হংলুবদা মহাক্কী
লাইবক ফবী ওনখি।

১৪.১২.২০০১
দাঁতভাংগা, কুড়িগ্রাম

## খেন্নদবদি খায়নদবনি

অতিয়াদা মতুম মতুম নোঙ নুংশিনরে
ঐগী পুখ্রিদা চুমথাংগী
মচু তরেৎ মঙাল য়ৌররে
ঐগী অয়ুক
ঐগী নুমিদাং করিমত্তা খেন্নদ্রে,
নঙগী মীৎখাদা থুংলিবা অৱাবা পুন্নমক
ঐঙোন্দা পিবিরো
কনাবুসু লঙথোকপিরোই খেন্নদবদি খায়নদবনি।

১৫.১২.২০০১
দাঁতভাংগা কুড়িগ্রাম

## শাবী ইবেম্মা নুংশিরৈ

কালেনগী ওমচাক্লরবা নুমিদাংদা
নোঙ ওইনা পায়জরক্কে
মম্লবা কা মনুংদা থাজগুন্না
ঙাল্লিবী ঙান্বী শাবী ইবেম্মা নুংশিরৈ।

ইনিংতম্না হিংহনগে হোৎনবদা
ৰাহল্লে নঙবুসু
মীকুপ অমতং হরাও নুঙাইবা ফংদ্রবী
ঐবুতা ফংজগে খন্না হিংজরিবী
পুকচেল ফবী শাবী ইবেম্মা নুংশিরৈ নঙবু
ঐনা লাকত্রিফাও ঙাইরম্মু কো,
নোঙ ঐনা পায়রক্লগা
থাজ নঙবু খুমজনজগে নোঙানদ্রিঙৈদা।

১৭.১২.২০০১
দাঁদভাংগা, কুড়িগ্রাম।

## নুংশিবতনা নুংশিফম ওইসনু

নিঙবা কায়রবী চেক্লা নঙদি
করম্বা লমদা পোকপনো ?
নাহেরদুনা তুমিন তুমিন নঙনা কপলগা
ঐবুসু কপহল্লিবা
করি নিঙলুবগী মরালনো নঙদি ?
চাকলিবা নঙগী নুংশি মৈচাক অদো
কায়না মৈচাক ওইরবদি
নুংশি লমচৎ হৈতবা করিগীনো
নুংশিজরুবগী মরালমক ওইরমলবদি
নুঙাইতবা তৌগনু, নুঙাইবসু থিগনু
নুংশিবতনা নুংশিফম ওইসনু।

তুমিন তুমিন কপতনা
খোঞ্জেলসুনা কপথোকউ
নুঙাইতবা মরক্তা নুঙাইবা থিজল্লু
অৱাবা মরক্তা হরাওবা থিজল্লু
নুংশিবতনা নুংশিফম ওইসনুকো।

২৮.০৮.২০০১
কর্ণজোড়া, শেরপুর।



CamScanner

# ইপোম

নুংশিৎ অমসুং ঈশিংগা
মতম কুইনগী মরি অমা লৈবনা
ঈশিংগী পুক্লুংদা
ইপোম পোমখী।

সমদ্রুদা ইপোম
তুরেলদা ইপোম
পুখ্রিদা ইপোম
ইপোম পুন্নমক্কী শাজৎ অমত্তা ওইরবসু
লমচৎ মানদবনা
সমদ্রুদি কোয়ঙাওনৈ, খোয়শাওনৈ
তুরেলসু ঈরৈ ইচাওনৈ, লমহেল্লী
পুখ্রিদি পুখ্রিগুন্না, ঈশিংগুন্না লৈহৌই।

০৮.০৮.০২
মংগলপুর

## উবদি সুংফঙ ফঙনদ্রি

মীৎতাংবগী দেশতা নুংশেল য়েংবগী মথৌ তানদে
মীৎতাংবদি ব্রাখনগা-না গনা য়েংবনি
খোঙ-খুৎনসু য়েংনৈ
মীৎতাংদবা ঐদি চশমানসু য়েংবগী হোৎনজৈ
উবদি সুংফঙ ফঙনদ্রি।

২০.১২.২০০১
দাঁত ভাংগা, কুড়িগ্রাম

## অৱাবা ফিভম

লম্বী লমজাওদা শাখ্রবা নুংশাদা
ফৌ ফৌরি।
মচা অনিতং সুরিবী মৌ অমনা
ঙৌসোক ঙৌরবা অঙাঙ অমা
ফিজিনা খুমজিলদুনা খোম পিথকলি
অমনা উচেক তানবা ঙমলে
অমনা পুক্লুংদা মমাগী অৱাবা ফিভম উদ্রি
অৱাবা পুন্নমক
পিজ-পিথক্লবগী অমসুং চানবগীতনি।

২০.১২.২০০১
দাঁতভাংগা, কুড়িগ্রাম।

## হৈমন্বদি ফত্তবনি

শম্মোৎগুন্না কুংনা কুংনা খোয়খ্রবা মফমদুগী
মী অমতংনা মশক খঙবা ঙমখিদ্রবদা
নঙনা ঐবুসু চাঙ য়েংগে খল্লিবা
নোকপু নোকনিংঙি।

হৈ শিংবদা হৈমন্বদগী
হুরান্না চারিবা ঐবুসু নঙনা
অমুবা কুচুদা সঙ্গোম মচুনা
পেইন্টিং তৌরগা ঙৌজগে হোৎনবদো
ঐগী নুংশেল মিৎয়েংদা ইঙান ঙান্ন উরে।

কুচু মচুনতা শক ফজবা নত্তে
শাজৎ লমচৎনা ফজবনি
হৈ শিংবনা কানবনি
হৈমন্বদী ঐগুন্না হুরান্না চান্নবনি খঙজাহৌ।

২১.১২.০১
দাঁতভাংগা, কুড়িগ্রাম।

## যন অমবু নুংশিরুবগী ৱারী

ঙসিদগী চহি তরামুক মমাংদা
ঐনা অদুঙৈ মৈমনসিং লৈরিঙৈদা
যন অমুবীমগা
মরক মরক্তা নুংশিনরম্মী।

লাইরা যুম্বুগী যঙগোন অমদা
মাক্কী পোকফমনি,
য়ুম্বমক্কা চাবা থকপা ৱাৎপনা
যন অদু কৈদৌঙৈদসু
চাওরবা মবুক অদু থন্না চাবা ফঙখিদবনা
যন মপুন্সীগী অৱাবা কয়া
খাঙবা ঙমদ্রদুনা
অমুকতং মী ওইরুগে হায়না
থৌরী থদৎতুনা
মৈমনসিং টাউন্দা হুরান্না চেল্লকখিবনী।

যন ওইরবসু মশক মতৌ ফজবিনী
হন্না হন্না য়েংনিঙবা শক্কী
মোনালিসাগী মীৎলুদগী হেন্না
যন্নুংশী য়াওরবা যন অদুগী মীৎয়েং উবদা
নোংমা ঐনা নুংশিমনখিদুনা
হেনৌ অমখক লৈনা পিজববু
ঐবু সুংথা থাদনা ইতুংদতা ইননা লৈখিবনী,
ঙরাং ঐনা রিক্সা তোংনা লাকপদা
বিদ্যাময়ী স্কুল মমাংদা হেক উনৈ
ঐনা য়েংসল্লুবদা মরাই থাংগৎতুনা
মনা অনি যুঙখৎলগা
হুইনা যুম্বু নুংশিবগুম
মমৈ অদু হায়গৎলগা
ঐগী রিক্সা মমাংদা খঙচেন চেনসল্লকখিবা
তু মাংদা লেপ্ল লৈরম্বা
মীয়াম্না ঙক্লখি,
ঐদি হান্নগুম খঙনুং নুংশিরুই।

০১.৩.২০০০
জামালপুর

## গোয়েন্দা থবক

গোয়েন্দা থবকতি চিনথিবগীনি, অচুম্বগীনি
অরানবগী নত্তে।
চীংনুংদা শানখিবা মশানদো
য়াম্না অরানবনি
ইমুংদা শানখিবা মশানদো
য়াম্না অচুম্বনি
অরাম্বা অমসুং অচুম্বগী মতুংদা
গোয়েন্দা থবকতি মতম খুদিংমক্তা ইনাবনি।

১৫.১২.২০০১



সনাতন হামোম

অপোকপা : এইচ. চাউবা

পলেম : এইচ. লৈনুংশি

পোকপা : ৩১ ডিসেম্বর ১৯৬০ইং মৌলভীবাজার জেলাগী কমলগঞ্জ থানাগী মনুংচনবা আদমপুর বাজারগী হামোমখুল খুঙ্গংদা । শিনফম : সরকারগী থবক অমা তৌরি। ফোংখ্রবা লাইরিকশিং - কল্পবধু, ঈপ্সিত বাসনা, লৈনম য়াওদ্রিবী লৈরাং অমসুং থৱায়গী নুংশিরৈ। ফোংলগদবা লাইরিকশিং : স্বপ্নিল বীজ অমসুং নৈঃশব্দের নগ্নতা। সম্পাদনা : প্রয়াস, ছন্দে ছন্দে, ইপোম অমসুং অয়ুক। বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ কমলগঞ্জ মশা ফুরুপকী হৌদোকপিবা জেনারেল সেক্রেটারী ওইরম্মী। হৌজিক্না হামোম পাবলিকেশন্সকী নির্বাহী পরিচালক ওইবিরি, য়ুমবানবগী লমদা খোংদারে। লোয়নবী উষা হামোম অমসুং তরু তরু য়োকচবা অঙাংশিং নুপী অমা নুপা অমাগী নিংথিরবা সংসারনি।

CamScanner